# কার বোমগী এটেক তৌদুনা মীওই ২৮ হাৎখ্রে



ইস্তানবুল, ফেব্রুৱারী ১৮ ঃ

টর্কিবু নীকহনবা পরিং নাইনা চথরকখিবা এটেকশিংদা খ্বাইদগী নৌবা এটেক ওইনা ঙরাং কেপিটেল অঙ্করাগী ময়াই চবুক্তা লৈবা টর্কিশ মিলিটরিদা টার্গেট তৌদুনা চথরকখিবা কার বোম এটেক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ২৮ শিখ্রে।

কার বোম অদু মিলিটরি কনভোই অমদা পোকখায়শিনখি হায়না দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর নুমান কুর্টুলমাসনা থৌদোক্তুদা শিরিবা মী মশীং কনফর্ম তৌরদুনা ফোঙদোকখ্রে। এটেক অদু কনানা পাঙথোকখিবনো হায়বা খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়িপ ইর্দোগান্না এটেক অদু পাঙথোক্লিবশিংগী মথক্তা খুৎ হনগনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখ্রে। জিহাদিষ্টশিং অমসুং কর্দিশ রেবেলশিংনা টর্কিদা চথরকখিবা শাথীবা এটেকশিংগা পরিং ওইনা খ্বাইদগী নৌবা এটেক অসি চথরক্লিবনি।

কার বোম অদু লান্মীশিং পুবা মিলিটরি বসশিংগী কনভোই অমা সেন্ট্রেল অঙ্করাগী ট্রাফিক লাইটশিংদা খাল্লিঙৈ মতমদা পোকখায়খিবনি। শাথীরবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তুদা মীয়াম্না মীপাইনখি অমসুং মথোং মরম খঙদবা ফীভম লাকখি হায়রি।

"এটেক অসিনা ঐখোয়না ইকাই খুন্নরিবা মমল ৱাংলবা লৈবাক অসিদা য়াম্না শেংনা টার্গেট তৌরকখি অমসুং মদু য়াম্না ফত্তবা, ইকাই খুন্ননিংঙাই মচেৎ অমত্তা য়াওদবা, থাজবা মাঙহনবা অমসুং নুংদা চিকপগী মওংদা চথরকখি" হায়না কুরতুলমুসনা হায়খি।

টর্কিশ মিলিটরি হেদক্বার্টর্স অমসুং পার্লিয়ামেন্টগী মনাক্তা লৈবা থৌদোক থোকফমদগী কাখৎলকখিবা মৈখূ মপৈ মপৈ অঙ্করাগী মফম খুদিংমক্তগী উবা ফংখি।

মপাঙ্গল লৈরবা বোম পোকখায়বগী মখোল অদু অঙ্করাগী মফম খুদিংমক্তা তাখি অমসুং মখোলদু তাবদা মীপাইরবা মীওইশিংনা মখোয়গী ময়ুম-ময়ুমগী বেলকোনিশিংদা চেনখৎনখি।

"ঐহাক্না অচৌবা মৈবুল অমা লেপ্তুনা চাউথোরকপা উখি" হায়না মশাগী চহী ২৫ শুরবা থৌদোক অদুবু উহৌবা গুরকাননা ফোঙদোকখি। বোম পোকখায়বা মতমদুদা মহাক থৌদোক থোকফমদগী মীটর ৫০০ রোম লাপ্না লেপ্তুনা লৈখি হায়রি।

"ঐখোয়না মপাঙ্গল লৈবা পোকখায়বগী মখোল অমা হেক তাবগা মীয়াম্না মায়কৈ সলাই খঙদনা চেন্নবা হৌরকখি" হায়না গুরকাননা মখা তাখি।

আর্মিনা হায়খি মদুদি, এটেক অদু জি এম টি ১৬৩১ তাবা মতমদা থোকখিবনি অমসুং মদুনা আর্মিগী পার্সনেল কাঙবুশিং পুবা সর্ভিস ভেহিকলশিংদা টার্গেট তৌখি।

থৌদোক অদুবু করম্না খুৎ হনগদগে হায়বগী মতাংদা চপ চাবা ৱারোলদি ফোঙদোক্তবীদা ইর্দোগাননা টর্কিনা মতম অমদা, মফম অমদা নৎত্রগা থেংখাং অমদা হেক্তা মশানা মশাবু ঙাকথোকচনবগী হক শীজিন্নবদা করিমত্তা হঙ্গৈইরোই হায়খি।

শাথীবা বোম্মিং এটেক অদুনা মরম ওইদুনা প্রাইম মিনিষ্টর অহমদ দাবুতোগলুনা য়ুরোপকী মাইগ্রেন্ট ক্রাইসিসকী মতাংদা শগোলশেন নুমিৎতা ব্রুসেলসতা খোঙচৎ অমা চৎনবগী থৌরাং কেন্সেল তৌখি। ইর্দোগাননা অজরবাইজানদা চৎপগী থৌরাংসু মতম কক্তনা য়ৈথোকখি।

অঙ্করাদা থৌদোক থোকফমদুদা এম্বুলেন্স অমসুং ফায়র ইঞ্জিন কয়া থৌজিনখি অমসুং অশোকপা ভিক্টিমশিংবু ষ্ট্রেটচরশিংদা পুথোকখি।

থৌদোক্তুগা মরী লৈনবা কেমেরাগী ইমেজশিংদা ফায়র ফাইটরশিংনা অচাকপা বসশিংগী অকনবা মৈরিশিং মুত্থৎনবা হোৎনবা উখি। টর্কিশ পুলিসনা এরিয়া অদুগী অকোয়বদু কোয়শিন্দুনা থমখি। তুংদা থোক্লকপা অনীরকশুবা পোকখায়বা অমনা এরিয়া অদুবু নীকহনখি হায়না এ এফ পিগী করেস্পোন্দেন্টনা ফোঙদোকখি, তৌইগুম্বসুং ওফিসলশিংনা মদু পুলিসনা চিংননীংঙাই ওইবা পেকেজ অমা পোকখায়হনবনি হায়খি।

ৱাশিংটননা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা টর্কিশ মিলিটরি পার্সনেল অমসুং মীচমশিংদা চথখিবা টেররিষ্ট এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং য়ু এসনা নেটোগী খোঙবু লৈবাক অদুগীদমক্তা লেপ্লি হায়না নৌহৌননা ফোঙদোকখ্রে।

# লমগী য়েৎনবগী মতাংদা কোর্টকী ওর্দর ইন্নবা চাইনাদা হায়খ্রে



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ১৮ ঃ

সাউথ চাইনা সীদা লমগী মতাংদা ফিলিপিন্সকা য়েৎনবা লৈরিবদুগী মতাংদা মে থাগী মমাঙদা ইন্টরনেসনল কোর্ট অমনা পীগদৌরিবা রুলিং অমবু ইকাই খুম্নবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা চাইনাদা চেকশিন্না খঙহনখ্রে।

চাইনানা সাউথ চাইনা সী অপুম্বা ক্লেম তৌবগা লোয়ননা লমগী য়েৎনবা অদুবু হিয়ারিং তৌরিবা হেগতা লৈবা পার্মিনেন্ট কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসনগী ওথোরিটিবু রিজেক্ট তৌরি। পনবা য়াবদি, অর্বিট্রেসন কোর্টকী ওথোরিটি রিজেক্ট তৌরিবা চাইনা অসি কেস অদুগা মরী লৈনবা লো ওফ সীগী য়ু এন কনভেন্সনদা সাইন তৌখিবা লৈবাক অমনি।

সাউথ অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী য়ু এসকী দেপ্যুটি এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স এমি সিয়ারাইটনা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া, জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগুম্বা মীচং ওইবা লৈবাকশিংনা কোর্টকী ওর্দর অদু ইলহন্নবা হোৎনগদবনি অমসুং কেস অসিদা মায়থীবা নংবা মতমদা চাইনানা কোর্টকী ওর্দর ইকাই খুম্নদবা তারবদি লৈবাক অসিনা মদুগী মমল তিংগনি হায়বদুসু খঙহনগদবনি।

ঐখোয়না ফিলিপিন্স অমসুং অসিয়নদা য়াওরিবা সাউথ চাইনা সীগী লমশিং ক্লেম তৌরিবা অতৈ লৈবাকশিংগী মতুংদা ৱাখল তিন্ননা পূন্না লেপমিন্নদুনা "মসি ইন্টরনেসনল লোনি, মসি য়াম্না মরু ওই, মসি পার্টি খুদিংমক্না ঙাক্কদবনি হায়না অহৌবা খোঞ্জেলদা ফোঙদোক্লনবা শেম শাদুনা লৈগদবনি" হায়না মহাক্না ৱাশিংটনগী সেন্টর ফোর ষ্ট্রেটেজিক এন্দ ইন্টরনেসনল ষ্টদিজদা পাঙথোকপা সেমিনার অমদা হায়খি।

সিয়ারাইটনা হায়খি মদুদি, চাইনানা নেগেটিভ রুলিং অমদা ইকাই খুম্নদবা মতমদা ঐখোয়না লৈবাক অসিদা পীগদৌরিবা মেসেজদি "নখোয়না মদু থোকহনবনি" হায়বসিনি।

হেগ ট্রাইব্যুনেলদা রুলিংশিং নমদুনা চৎনহনবা ঙম্বগী পৱারশিং লৈতে অমসুং মসিগী রুলিংশিং মমাঙদা কনামত্তনা ইনখিবা লৈতে হায়রি।

চাইনানা সাউথ চাইনা সীদা লৈবা লম কয়া এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্স (অসিয়ন) গী মেম্বর লৈবাক কয়া অমসুং ফিলিপিন্সকা য়েৎনদুনা লৈ।

ৱাশিংটনদা লৈবা ঈ য়ুগী দেলিগেসনগী পোলিটিকেল সেক্সনগী মকোক ক্লোস বোটজেটনা হায়খি, মালেমগী ওইবা মতকী মায়োক্তা লৈবা হায়বসি অরুবা অমনি। "নোংচুপলোমগী অপূনবা, মালেমগী অপূনবা মত হায়বসি বৈজিংনসু লুনা লৌগদবনি" হায়না মহাক্না হায়খি।

# রেদিওএক্টিভ মচাক হুরানখিবদগী সিক্যুরিটিগী ফীভম লুহনখ্রে

বাঘদাদ, ফেব্রুৱারী ১৮ ঃ

ইরাক্কী ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী দোক্যুমেন্ট অমা অমসুং সিক্যুরিটি, ইনভাইরনমেন্টেল অমসুং প্রোভিন্সিয়ল ওফিসল তরেৎকী মতুং ইন্না, লৈবাক অসিনা হৌখিবা চহীদা হুরানখিবা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা রেদিওএক্টিভ মেটরিএল ফংনবা কোয়থি থিরি। পোৎশক অদু ইস্লামিক ষ্টেটকী মখুৎতা তাখ্রবদি খুৎলাই অমা ওইনা শীজিন্নরকপা য়াই হায়না ওফিসলশিং অদুনা অকিবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

লেপটোপ (কম্প্যুটর) অমমুক চাওবা প্রোটেক্টিভ বেগ অমদা হাপ্তুনা থম্বা মেটরিএল অদু হৌখিবা নভেম্বর থাদা ইরাক্কী সাউদর্ন সীটি বাসরাগী মনাক নক্না লৈবা য়ু এসকী ওইল ফিল্ড সার্ভিসেস কম্পনি ৱেদরফোর্দনা শীজিন্নবা ষ্টোরেজ ফেসিলিটি অমদগী মাঙখিবনি হায়বসি রোইটর্জনা থেংনবা দোক্যুমেন্টনা উৎখ্রে অমসুং ওফিসলশিংনা কনফর্ম তৌখ্রে হায়রি।

ইরাক্কী ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, নেসনল সিক্যুরিটিগী ওইবা অরুবা ৱাফমশিং লৈবনা মরম ওইদুনা ইস্যু অদু মহাক্না খন্নবা ঙমদে।

ৱেদরফোর্দকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, রেদিওএক্টিভ পোৎশক হুরানখিবদু মখোয়দা (কম্পনিদা) তাইননিংঙাই ওইদে। "ছোর্সশিং নৎত্রগা ছোর্সশিংবু থল্লিবা বক্কর অদু ঐখোয়গী নত্তে, ঐখোয়না ওপরেট তৌদে নৎত্রগা কন্ট্রোল তৌদে" হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

দোক্যুমেন্ট অদুদা পল্লম্বা ৱারোলশিং অমসুং ওফিসলশিং অদুনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, ইন্দষ্ট্রিয়েল গাম্মা রেদিওগ্রাফি কৌবা প্রোসেস অমদা থাউ অমসুং পাইপ লাইনশিংদা শীজিন্নবা পোৎশকশিংগী অশোয়-অরাকশিং গাম্মা রেশিং শীজিন্নদুনা টেষ্ট তৌবা মেটরিএল অদু ইস্তানবুলদা বেজ তৌবা এস জি এস টর্কি কৌবা কম্পনি অমগীনি।

ইরাক্তা এস জি এসগী ওফিসল অমনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কমেন্ট পীয়ু য়াখিদে অমসুং রোইটর্জতা মদুগী মরমদা টর্কিদা লৈবা হেদক্বার্টর্সতা ওইনা হংনবা হায়খি। তৌইগুম্বসুং টর্কিশ হেদক্বার্টর্সনা রোইটর্জগী ফোন কোলশিং অমসুং ঈমেলশিংগী পাউখুম পীরকখিদে হায়রি।

য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হায়খি মদুদি, রিপোর্টশিংদু তারে অমসুং খঙলে তৌইগুম্বসুং ইস্লামিক ষ্টেট নৎত্রগা অতৈ মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা রেদিওএক্টিভ মেটরিএলদু ফংখ্রে হায়বগী খুদম চাংদম উদে।

য়ু এসকী ওফিসল অমনা অসুম্না তোঙান্না ফোঙদোকখি মদুদি, হৌখিবা চহীগী নভেম্বর থাদা ইরাকনা ভিয়েন্নাদা বেজ তৌবা য়ু এনগী ন্যুক্লিয়র বাটচদোগ ইন্টরনেসনল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সী (আই এ ঈ এ)দা য়াম্না ময়াই কনবা রেদিওএক্টিভ ইরিদিয়ম-১৯২ য়াওবা স্পিসিয়েলাইজ কেমেরা অমা মাঙখ্রে হায়না পাউ পীখি।

"মদুদগী হৌনা মখোয়না মাঙখিবা পোৎশক অদুবু কোইথি থিরকখিবনি। মদু মফম ওন্ননা থম্বদগীরা নৎত্রগা থাঙ্গৈশেংনা হুরানখিবরা হায়বদু শেংনা খঙদ্রে" হায়না ৱাফম অদুগী অরুবা ফীভমনা মরম ওইদুনা মশক মমিং তাকথোকখিদবা ওফিসল অদুনা হায়খি।

তারিখ পীবদা হৌখিবা নভেম্বর ৩০ থাবা ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী মিনিষ্ট্রি অসিগী সেন্টর ফোর প্রিভেন্সন ওফ রেদিয়েসনদা এদ্রেস তৌবা দোক্যুমেন্ট অদুনা বাসরা প্রোভিন্সকী রাফিধিয়া এরিয়াদা লৈবা ৱেদরফোর্দকী দিপো অমদগী এস জি এসনা শীজিন্নবা রেদিওএক্টিভ দিকেগী চাং য়াম্না ৱাংবা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ইরিদিয়ম-১৯২ (আইসোতোপ)কী রেদিওএক্টিভ ছোর্স অমা হুখিবগী ৱাফম ফোঙদোক্লি।




ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - FOUNDATION COURSE FOR CLASS I to X (Starts on 7th January 2016)
BOARDING FOR CATHOLIC SCHOOLS, HERITAGE, IBOTONSANA, T.G., REGULAR, IPS, STANDARD ROBERT, ETC.
FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS
Time : 4.30 p.m. to 7.30 p.m.




SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
VAN SERVICE AVAILABLE
ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV
:-9856988840 / 9863265726
9863222153
HL-B/2893/12/01-10/03(Alt)

# নোর্থকী মায়োক্তা য়ু এস ষ্টীলথ জেটশিং সাউথ কোরিয়াদা পাইখ্রে



সিওল, ফেব্রুৱারী ১৮ ঃ

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল চাংয়েংশিংগী মতাংদা কোরিয়ান পেনিন্সুলাদা উংখৎনবা লৈরিঙৈ তাল্লক্তা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্টনা অৱাং কোরিয়া পুংকাই কাইরগনি (তুরগনি) হায়না ফোঙদোকখিবগী মথংগী নুমিৎ হৌখিবা য়ুমশকৈশদা পিয়োংয়াংগী মায়োক্তা থাঙ্গৈশেংনা পৱার উৎপগী থৌদৌ অমদা য়ু এসকী এফ-২২ ষ্টীলথ ফাইটর মরি সাউথ কোরিয়াগী নোংথক ফাওনা পাইখ্রে।

রাদরনা ফাবা ঙমহন্দনা য়ৌনীং য়ৌনীংবা নোংথক্কী মফমশিংদা পাইশিনবা ঙম্বা হায়-টেক প্লেনশিং অদুনা পাইবদু সিওল সীটিগী মনাক্তা লৈবা ওসান এয়র বেজদা থুংলদ্রিঙৈগী মমাঙদা এসোসিয়েটেদ প্রেসকী ফোটোগ্রাফর অমনা উখি। ষ্টীলথ ফাইটর মরিদু পাইবদা অতৈ য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ফাইটর জেটশিংনা ইন্নদুনা ঙাক শেনখি হায়রি।

কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা প্লেনশিং অদুনা থুংলবা হায়বসি পিয়োংয়াংগী মীৎয়েংদদি অকিবা পোকহল্লকপা (থ্রেট) অমনি হায়না লৌগনি, মরমদি মদু নোর্থ কোরিয়ানা অকন-অরিং শীংলকপা মতমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৈবাক অসিগী মীচং সাউথ কোরিয়াবু দিফেন্দ তৌনবা করি তৌবা ঙম্বগে হায়বদু খঙহনবগী পান্দমদা য়ু এসকী নোংথক্কী পৱার উৎথোকপা অমনি হায়রি।

নোর্থ কোরিয়াগা উংখৎনবগী ফীভম লাকপা মতমশিংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সাউথ কোরিয়াদা মখল মখা কয়াগী থবকশিং পাঙথোকপা ঙম্বা মপাঙ্গল লৈরবা লালগী প্লেনশিং তোইনা থাই অমসুং হৌখিবা থাদসু নোর্থ কোরিয়ানা মঙক কন্দুনা লৈবাক অসিগী মরিশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবা মতুংদা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই পুবা ঙম্বা পৱারফুল ওইরবা বি-৫২ বোম্মর অমা সাউথ কোরিয়াদা থাখি।

নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা মালেমগী লৈবাকশিংনা লৈখাই তাবা ঙমদবগী ফীভম লৈরিবদু পিয়োংয়াংনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা রিজনেল পৱারশিংনা হঞ্জিন হঞ্জিন্না ৱার্নিং পীববু থওইদবীদা সেটলাইট পুবা অশানবা রোকেট অমা কাপখিবগা লোয়ননা হেন্না লুশিনহনখিবনি। নোর্থ কোরিয়ানদি রোকেটতুনা আর্থ ওবজার্ভেসন সেটলাইট অমা ওর্বিটতা থমখি হায়না ক্লেম তৌদুনসু ৱাশিংটন, সিওল অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনদি লোঞ্চ অদু মিসাইল টেক্নোলোজিগী অথিংবা থম্বা চাংয়েং অমা পাঙথোক্লিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# EMPLOYMENT NEWS

## GOVERNMENT OF MANIPUR SECRETARIAT : LAW & LEGISLATIVE AFFAIRS DEPARTMENT

**No. 10/1/2015-FC/L :** Applications are hereby invited on plain paper from intending condidates for engagement as Counsellor for the Family Court, Ukhrul on contract basis for one year which may be extendable. Particulars and information are as follows:

| | | |
|---|---|---|
| Name of Post | : | Counsellor |
| Vacancy | : | 1 (one) |
| Essential Qualification | : | Bachelor Degree in Law or Masters Degree in Sociology or Diploma in Social Work (And must be a person who is or has been married) |
| Monthly emolument | : | Rs. 13,700/- p.m. |
| Age Limit | : | Must attained the aged of 40 years and below 65 years as on 01.03.2016. |

2. Candidates fulfilling the qualification above may apply by giving the following particulars :
(a) Full name
(b) Father/Husband's name
(c) Permanent and present address
(d) Date of Birth
(e) Educational Qualification
(f) Contact No. (Mobile)
(g) Experience in matters connected with Family disputes matter if any.

3. The application should be accompanied by the following documents (legible copies) :
(a) Certificate of HSLC passed or equivalent examination
(b) Certificate of examinations passed.
(c) Two recent passport photographs.

4. All applications should be submitted to the Secretary (Law), Government of Manipur at Room No. 7, Manipur Secretariat, North Block, Imphal **on or before 4:30 p.m. of 05.03.2016.**

## KENDRIYA VIDYALAYA BARRACKPORE (AFS)

Kendriya Vidyalaya Barrackpore (AFS) invited application from eligible candidate for 25 PGT and other posts. Eligible and Interested candidates can send their application in the prescribed format on or before 29 February 2016.

Important Date:
Last date of application : 29 February 2016
Date of interview : 30 March 2016

Kendriya Vidyalaya Barrackpore (AFS) Vacancy Details
PGT
TGT
Primary Teacher
Computer Instructor
Vocational Instructor (Volley ball & Kho Kho)
Vocational Instructor (Dance Pay)
Doctor
Nurse
Counselor
Spoken English

Eligibility Criteria for PGT and Other Posts
Educational Qualification

PGT: Two years integrated post Graduate M.Sc. Courses of Regional College of Education of NCERT in the concerned subject or Master Degree from a recognized University with at least 50% marks in aggregate in the relevant subject. B.Ed. or equivalent degree from recognized University.

PGT (Computer Science): B.E. or B.Tech. (Computer Science / IT) from a recognized University or equivalent Degree or Diploma from an institution / university recognized by the Govt. of India. OR B.E or B.Tech. (any stream) and Post Graduate Diploma in Computers form recognized University. OR M.Sc. (Computer Science) / MCA or Equivalent from a recognized University. OR B.Sc. (Computer Science) / BCA or Equivalent and Post Graduate degree in any subject from a recognized University. OR Post Graduate Diploma in Computer and Post Graduate degree in any subject form recognized University. OR 'B' Level from DOEACC and Post Graduate degree in any subject. OR 'C' Level from 'DOEACC' Ministry of information and Communication Technology and Graduation.

TGT: Four years integrated degree course of Regional College of Education of NCERT in the concerned subject with at least 50% marks in aggregate. OR Bachelor's Degree with at least 50% marks in the concerned subjects / combination of subjects and in aggregate. B.Ed. or equivalent degree from recognized University. Proficiency in teaching Hindi and English medium.

Primary Teacher: Senior Secondary School Certificate with 50% marks or intermediate with 50% marks or its equivalent with JBT/ Diploma or certificate in Basic Teachers' Training (2 years) or Bachelor of Elementary Education or B. Ed.

Computer Instructor: At least 50% marks in aggregate in any of the following: B.E. or B. Tech. (Computer Science /IT) from a recognized University or equivalent Degree or Diploma from an institution / university recognized by the Govt. of India. OR B.E or B.Tech. (any stream ) and Post Graduate Diploma in Computers from recognized University. OR M.Sc. (Computer Science) / MCA or Equivalent from a recognized University. OR B.Sc. (Computer Science) / BCA or Equivalent and Post Graduate degree in any subject from a recognized University. OR Post Graduate Diploma in Computer and Post Graduate degree in any subject from recognized University. OR 'B' Level from DOEACC and Post Graduate degree in any subject. OR 'C' Level from 'DOEACC' Ministry of information and Communication Technology and Graduation.

Vocational Instructor: Degree / Diploma / Certificate from NIS / recognized Institute and Professional competency in concerned field.

Doctor: MBBS and registration with MCI.

Nurse: Diploma in Nursing with valid registration.

Counselor: B.A. / B.Sc. (psychology) with certificate of Diploma in counselling from a recognized College or University and Regular one year Post Graduate Diploma in Guidance and Counselling.

Spoken English: Graduation in English and Certificate / Diploma / Degree in spoken English.

Age limit : 18 – 65 years.

How to Apply for Kendriya Vidyalaya Barrackpore (AFS) PGT and Other Posts 2016

Eligible and Interested candidates can drop the application form in the Drop Box between 9:00 a.m. to 2:00 p.m. kept at Palta gate Air Force Station till 29 February 16.

GOVERNMENT OF MANIPUR
## STATE ACADEMY OF TRAINING
Takyelpat
(Telefax: 0385-24451541; E-mail: sat.manipur@gov.in)

**NOTIFICATION**

Imphal, the 19th February, 2016

**No: 8/245/2015-SAT :** It is hereby notified to all concerned that the State Academy of Training is organizing **15-Days** training programme on **Computer Literacy** at its own campus at Takyelpat from the **3rd March, 2016** as per detail given below.
1. Duration : 15-Days
2. No. of trainees : 40(forty)
3. Category of trainees : Group-C

Any Group-C employee who wishes to participate in the said training should get himself/ herself nominated by the concerned Head of Offices and the nominations should reach the Academy on or before **27th February, 2016 (Saturday)**.

Reading materials and working lunch shall also be provided free of cost to all the trainees as usual.

Further details including nomination form, training modules, etc., may be downloaded from the official website of SAT: **www.satmanipur.nic.in.**

HL-P/2969/19&20 Feb.

Sd/- **W. Chandra Kumar,** Additional Director

GOVERNMENT OF MANIPUR
## STATE ACADEMY OF TRAINING
Takyelpat
(Telefax: 0385-24451541; E-mail: sat.manipur@gov.in)
---

**NOTIFICATION**

Imphal, the 19th February, 2016

**No: 8/2/2001-SAT(Trg)/Pt:** It is hereby notified to all concerned that the State Academy of Training is organizing **2-weeks** training programme on **Office Procedure** at its own campus at Takyelpat from the **2nd March, 2016** as per detail given below.
1. Duration : 2-weeks
2. No. of trainees : 50(fifty)
3. Category of trainees : Group-C

Any Group-C employee who wishes to participate in the said training should get himself/ herself nominated by the concerned Head of Offices and the nominations should reach the Academy on or before **27th February, 2016 (Saturday).**

Reading materials and working lunch shall also be provided free of cost to all the trainees as usual.

Further details including nomination form, training modules, etc., may be downloaded from the official website of SAT: **www.satmanipur.nic.in.**

HL-P/2970/19&20 Feb.

Sd/- **W. Chandra Kumar,** Additional Director